ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পি পি ঈশিং য়েন্থোকখিবা



লামায় ৬

মঙাল হেল্থ ক্যের এন্দ ইন্সটিট্যুটকী প্রোপ্রাইটর কম মেনেজিং দিরেক্টর এন গোজেননা থৌবাল এ সী কোভিদ-১৯ এইদ কম্মিটিদা কৎখিবা লুপা লাখ ১গী শেনফম খুৎশিন্নবা





লামায় ৫

রিমসকী হেদ ওফ কার্দিও থোরাসিক সর্জরিগী ডা. চিতোর থোকচোমনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা তেংবাংখিবা হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ গ্লোবশিং দি জি পিদা খুৎশিন্নখিবা



লামায় ৬

আই আই টি গুৱাহাটিগী মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এন্দ এলুম্নাইনা রিমসতা কৎখিবা হেন্দ ৱাশিং য়ুনিট অমা ইন্সটিট্যুট অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টতা খুৎশিন্নখিবা



লামায় ৬

Vol. 44, Issue No.054 | লৈবাকপোকপা, কালেনগী ২৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, May 19, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### দি সী ট্রান্সফর তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা দি সী শীন্দোক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখ্রবা মতুংদা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) পি ঐচ ভবানন্দ শর্ম্মনা থোকখিবা ওর্দর অমনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ট্রান্সফর তৌখ্রে। ওর্দর অদুগী মতুংইন্না সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওইরম্বা সোমোরজিৎ সলামনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওইরগনি। অদুগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওইরম্বা লালিথন্বীগাই কালিদাসনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওইরগনি হায়রি।

### হূই থাদোক্তনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা কোভিদ-১৯গী ক্বারন্টিন সেন্টর অমা হাংদোরকপা মরম্না শাশিংনা ফুন্দ ৱেষ্টশিং চাইখায়হন্দনবগীদমক কেম্পস অসিদা হূইশিং থাদোক-পীগনু। কনাগুম্বশিংনা হূই থাদোক্তুনা কেম্পস মনুংদা কোইচৎ চৎপা থেংনরবদি হূই মপু অদু দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫কী মখাদা চৈরাক ফংবা য়াই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রারনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

### ক্লেম তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সী) :

বাংলাদেশকী মেদিকেল টিম অমনা কোভিদ-১৯ লায়েংনবগী মতাংদা হিদাক মখল ২গী মচল অমা থেংনরে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অমসুং হিদাক পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা বাংলাদেশ মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালগী মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী মকোক প্রোফেসর মহমদ তারিক অলমনা হায়খ্রে মদুদি, হান্নদগী শীজিন্নদুনা লাকপা ইভর্মেক্টিন কৌবা এন্টিপ্রোতোজোলগা দোক্সিসাইক্লিন কৌবা এন্টিবাইওটিক অমগা পুল্লগা চাংয়েং তৌবদা অনাবা মীওইশিং ফগৎলকপা থেংনরে। হিদাক মখল অনী অসি থাবা মতমদা অনাবা মীওই খরা নুমীৎ মরিনিগী মনুংদা ফগৎলকপা থেংনখি। থোইদোকপা সাইদ ইফেক্টসু লৈতে হায়রি।

লোকদাউন ৪.০ : মণিপুরদা চৎনগদবা কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে

# পাস পায়দনা চৎপা য়াখিরোই

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

লৈবাক পূম্বদা মরিশুবা তাঙ্কক্কী লোকদাউন হৌখ্রবা মতুংদা ঙসি ষ্টেট লৈঙাক্না থোকখিবা ওর্দর অমনা মে ৩১ ফাওবা চথুগদবা লোকদাউন ৪.০দা মণিপুরগী ওইনা চৎনগদবা কাঙলোনশিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল সিটি অমসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস পুন্নমক্তা মে ৩১ ফাওবা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তগী অয়ূক পুং ৬ ফাওবা কর্ফিয়ু থমখ্রে।

নৌনা লাউথোকখ্রবা চৎন-কাঙলোন অসিগী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা পাস য়াওদনা গাড়ীদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াখিরোই। স্কুল, কোলেজ, কোচিং অমদি ট্রেনিং ইন্সটিট্যুসনশিং, সিনেমা হোল, শোপ্পিং মোলনচিংবশিং হাংবা য়াখিরোই হায়রি।

মে ৩১ ফাওবা চৎনগদবা কাঙলোনগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরিগী ওর্দর অসিনা হায়, অকক্লবা থবক-থৌরম খরা মে ৩১ ফাওবা মপুং ফানা অথিংবা থমখিগনি। অথিংবা থমগদবশিং অদুদি দোমেষ্টিক মেদিকেল সর্ভিস, দোমেষ্টিক এয়র এম্বুলেন্স অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা অয়াবা পীবা সিক্যুরিটিগী ওইবা থবক-থৌরমশিংগী নত্তনা দোমেষ্টিক অমদি ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিস; স্কুল, কোলেজ, কোচিং ইন্সটিট্যুটনচিংবা মহৈতম্ফম লোইশঙশিং; হেল্থক্যের ৱর্কর, পুলিস, লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমদি পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং থম্বা নত্তনা হোটেল, রেষ্টোরেন্ট অমদি হোস্পিটালিটি সর্ভিস পুন্নমক; সিনেমা হোল, সোপিং মোল, জিমনেজিয়ম, স্বিমিং পুল, এন্টরটেনমেন্ট পার্ক, ঠিএটর, বার, ওদিটোরিয়ম, এসেমব্লি হোল অমদি সেমিনার তৌফমশিং; সোসল, পোলিটিকেল, স্পোর্টস, এন্টরটেনমেন্ট, একাদমিক, কলচরেল অমদি রিলিজিয়স ফঙ্কসন য়াওনা মীয়াম তিনবা থৌরমশিং লোয়ননা লাইনিং-লাইশোনগী মফম পুন্নমক্লি।

অথিংবা কোমথোক্লবশিংদি তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং হোম দেলিভরি তৌবা; নোংমাইজিং নত্তনা অতৈ নুমিৎশিংদা অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈ য়োনবা লৈকাইগী রিটেল সোপশিং; নোংমাইজিং নত্তনা অতৈ নুমিৎশিংগী অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা ইম্ফালগী হোলসেল মার্কেটশিংনি। সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপগা লোয়ননা মীপুম

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### ষ্টেটশিংনা লোকদাউনগী কাঙলোন কোমথোকপা য়াদে : এম ঐচ এ

ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সী) : ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমত্তনা মে ৩১ ফাওবা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা থল্লিবা লোকদাউনগী কাঙলোন কোমথোকপা য়াদে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)না ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুন্নমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদা থাখিবা চেরোল অমদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভালানা হায়খি, মে ১১ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট পুন্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানরবা মতুংদা লোকদাউন ৪.০গী কাঙলোন শেমখিবনি। মরম অদুনা এম ঐচ এনা লোকদাউনগী মতাংদা লাউথোকখিবা অথিংবশিং ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমত্তনা কোমথোকপা য়াদে।

# তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী মণিপুরদা হল্লকখিবা মীওই লিশিং ১০ হেনখ্রে





ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

মালেম পূম্বদা পাক শন্না শন্দো-রক্লিবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক ইন্দিয়া পূম্বদা লোকদাউন চথখিবদগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বদগী মণিপুরদা হল্লকখিবা মীওই লিশিং ১০ হেনখ্রে। মপান্দা তশেং-তশেংনা পন্দুনা লৈরিবশিং হল্লকহল্লিব্রা নৎত্রগা মপান্দা লৈরুবা মণিপুরী খুদিংমক হল্লকহল্লিব্রা হায়বসি ৱাহং ওইরক্লি।

ওফিসল ওইবা পাউনা হায়, হৌখিবা নুমীৎ ১০নি রোম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং হায়বদি অসাম, টামিল নাদু, কর্নাটাকা, পঞ্জাব, মেঘলায়া, ত্রিপুরা, মুম্বাইনচিংবা মফমশিংদগী বস অমসুং ট্রেনদা পূন্না মীওই ১০,০২২ মণিপুরদা হল্লকখ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মীওই ৫৭৮৫না বসতা হল্লকখিবনি। অদুগা মীওই ৪২৩৭না ট্রেনদা হল্লকখিবনি।

জেনিমস অমসুং রিমসকী ভি আর দি এলদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপা ফাওবদা অপূনবা সেম্পল ২৫০৪ কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা রিমসতা সেম্পল ১৩৮৪ অমসুং জেনিমসতা ১১২০ টেষ্ট তৌখি। ঙসিগী ওইনা রিমসকী ভি আর দি এলদা সেম্পল ১৪৯ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল খূদিংমক নেগেটিভ ওইরে। দিল্লিদগী কোভিদ- ১৯ নেগেটিভ ওই হায়বগী সর্টিফাই তৌরবা মণিপুরী নর্স অহুমসু ঙসি অয়ুক মাও গেটতা থুংলরবা মতুং থৌবালগী ৱাইখোম মনি গর্লস হায় স্কুলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা মে ১৫দগী পঞ্জাবকী বদোদরাদগী ট্রেন তোংদুনা হল্লকখিবা মীওই ৬০০ রোমসু ঙসি অয়ূক পুং ৪.৪৫ রোম তারকপা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### জেনিমস অমসুং রিমসতা মে ১৮গী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবদা অপূনবা সেম্পল ২৫০৪ কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌখ্রে, পঞ্জাবতগী হল্লকখিবা মীওই ৬০০ রোম থুংলরে

## জী ন্যুজগী ইমপ্লোয়ী ২৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সী) :

জী ন্যুজদা থবক তৌবা মীওই ২৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ন্যুজ চেনেল অসিগী এদিটর ইন চীফ সুধির চৌধরিনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা সুধির চৌধরিনা দি এন এদা ৱা ঙাংখিবদা, কম্পেনি অসিগী ইমপ্লোয়ী ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা কনফার্ম তৌবা লৈখ্রবনি। মতুং তারকপদা মীওই অদুগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা অমদি নক্লরুবা অতৈ মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবগী থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

জী ন্যুজনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা ন্যুজ চেনেল অসিগী ইমপ্লোয়ী ২৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। মীওই অয়াম্বা লায়ওং উৎথোরকপা তৌদ্রি।

হৌখিবা মে ৫দসু ন্যু দিল্লিদা থবক তৌবা তেলঙ্গনাগী পাউমী ৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। তেলুগু টেলিভিজন চেনেল অমদা থবক তৌবা জর্নেলিষ্ট ৩ অদু

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## পুলিসনা হায় কোর্টকী ষ্টাফ ১ লোকদাউন ভাইয়লেটরনি হায়দুনা ফুরুবগী ৱাথোক ওইখ্রে

### হায় কোর্টতা ঙসি পাঙথোক্কদবা মীটিংদা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি লাক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

ষ্টেটসিদসু নোবেল কোরোনা-ভাইরস (কোভিদ-১৯)গী মায়োক্তা লৌখৎলকপা অকনবা চেকশিন থৌরাংগী মনুংদা লোকদাউনগী ৪শুবা তাঙ্কক ঙসিদগী চৎনবা হৌবা নুমীৎমক্তদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ষ্টাফ ১ পুলিসনা অথিংবসি থুগায়বা ভাইয়লেটরনি হায়দুনা লীচৈনা কন্দুনা ফুরুবদগী ৱাথোক ওইরক্তুনা হায় কোর্টতা মীটিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হয়েং পাঙথোক্কদবা মীটিংদা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবু অমসুং দি জি পি, এল এম খৌতে য়াওরনবা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক্কী কোর্ট অৱর হৌরমদায় পুং ৯.৪৫ রোম তারকপদা সগোলবন্দ থাঙ্গপাৎকী হেক মমাংদা লৈবা এন আর এল ওইল পম্পগী মনাক ইম্ফাল জিরিবাম নেসনল হায়ৱে পরিংগী মফম অমদা থোকখিবনি।

পুলিসকী টিম অমগী মনুংদগী পর্সনেল অমনা লীচৈনা কন্দুনা ফুখিবা ষ্টাফ অদুগী মমিং থাংজম চন্দ্রকুমার কৌই, মশাগী চহী ৩৯ লোম শুরে, সগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তগীনি। মহাক মণিপুর জুদিসল একাদেমিগী লোৱর দিভিজন এসিষ্টেন্ট (এল দি এ) ওইবদগী চহী অনীরোম হেনবগী মমাংদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী একাউন্ট সেক্সনদা এটেচ তৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

## কোর্টনা অন্দ্রো পি এসকী ও সীদা কেস লৌখৎলগা থিজিন্নবা ওর্দর পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস): মমাং থাগী ১০গী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদগী হৌরগা নুমিদাং অসিগী অহিং নোংয়াই ফাওবদা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়ুম খরগী পোৎলমশিং য়াওনা গাড়ী ৬পু এক্স-মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা লুচিংলকখিবা মীওই খুৎপু অমনা অমাঙ-অতা থোকহল্লমখি হায়বা ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা কোর্টনা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ওফিসর-ইন-চার্জদা থৌদোক্তুগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদকী সেক্সন- ১৫৬ (৩)গী মখাদা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা ওর্দর পীখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

হুয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়ামা করি হায়রি, করি পাল্লি



**চবুংবম সঞ্জোয়, খুরাই থোঙাম লৈকায়**

মালেম শিনবা থুংনা য়াম্না তমথিবা মওংদা মীওইবগী থৱায় কয়া মাংহনদুনা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লায়চৎনা মরম ওইরগা শু-নোমদুনা হিংজরম্বা মীপুম খুদিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। শেল পায়জদবা মীওইশিংদদি অমুক্কা হেন্না খাঙবা ঙমদ্রবা চৈথেং পীবা হায়বদু ওইরি। চৈথেং ফংলিবা মীওইশিংগী মনুংদা লমদম অসিগী প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইরিবশিংসু য়াওরি। প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংনা য়াম্লবসু-য়ামদ্রবসু থাগী তোলোব খরা ফংলিবা অসি মহৈরোয়শিংগী মামা-মপাশিংনা পীরকপা ফী অদুদগী ফংবনি। অদুবু স্কুল-কোলেজ থিংজিনখিবদগী প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংনা ফংজরম্বা তোলোব অদুগী তঙ্খাই ফংবা, অতোপ্পা স্কুলগী ওজা খরদনা লুপা ২০০০/৩০০০ পীবা অমদি খরা অমদনা হৌখিবা থাগী তোলোপ ফাওবা ফংদবা য়াওরি। মরম অদুনা লৈঙাক্না প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংগী অৱাবসি খঙবিরদুনা করিগুম্বা খরা তৌবিরবদি লৈত-লায়রদা মতেং ওইগনি। নৎত্রগা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংদা স্কুলগী ফাওন্দরশিংনা লৈঙাক্কা খুৎশম্নরগা থাগী তোলোব পীবা য়ানবগী থৌরাং-থৌশিল অমা য়াৎপীরবদি প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইরিবশিংগী য়াইফবত্তা নত্তনা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইবা ঙমগনি খল্লি।



**খুন্দ্রাকপম নোবিন, খাঙবোক মৈস্নাম লৈকায়**

মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরীশিং লৈঙাক্লা পুশিনবিরক্লবা হোৎনবিরক্লিবা অসি য়াম্নদি ফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী মণিপুরদা পুশিল্লমদাই মাংজৌননা টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবসু তঙাইফদনা টেষ্ট তৌবা য়াবগী লম্বী অমা পুথোকপীরগা পূম্নমক পুশিনবিরক্লবদি লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পাকশন্না শন্দোরক্কদরা হায়না মীয়াম্না মীপাইনরিবা অসি খরমখৈদি কোকহনবা ঙমগদ্রা হায়না খল্লি। লমদমসিদা মখা তানা লায়না অসি শন্দোকহল্লোইসি হায়রবদি লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎপিদুনা মপান্দগী লাক্লিবা মীওইশিংবু য়াম্না চেকশিন্না মোনিটরিং তৌদুনা মতিক চাবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপগী মথৌ তাই। করিগুম্বা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কেস মশিং হেনগৎলক্লবদি অকক্লবা হোস্পিটাল অমদি কোভিদ-১৯ লায়েংবদা চংলিবা পোৎলমশিং মতিক চানা লৈতবনা পূম্নমক অৱাবা ফীভম অমদা শোয়দনা লাক্কনি। ষ্টেট অসিদা শুপ্পগী পোজিটিভ কেস ২ খক লৈরম্বদু নোংমা-নীনীগী মনুংদা মীওই ৫ পোজিটিভ ওইখিবা অদু নীংশিংবিবা ফৈ।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম লান্মীশিং কোভিদ-১৯গী য়েংদুনা থাদোরকপনি : আর পি এফ

ইম্ফাল, মে ১৮: ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম লান্মীশিং কোভিদ-১৯গী য়েংদুনা থাদোরকপনি হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা রেভল্যুসনরি পীপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা মে ১৫দা ম্যান্মার লৈঙাক্না ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম লান্মী ২২ থাদোক্তুনা ইন্দিয়াগী ওথোরিটিদা শীন্নরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবলগী হৈ-শিংবননি অমদি মীওইশিং অসি খুৎশিন্নরকপা অসিনা লৈবাক অনীনা ইন্টলিজেন্স অমসুং দিফেন্সতা মতেং পীনদুনা থবক পায়খৎমিন্নবগী খুমাং চাউশিনবা উৎলে হায়না ইন্দিয়াগী ওথোরিটিনা হায়রি। ৱাফম অসিদা আর পি এফনা হায়জনিংবদি মহৌশাদগী হৌনা মখোয়গী এপ্রিল থাদা তাবা চহী হৌবগী থৌরমগা মরী লৈননা প্রিজনরশিং থাদোকপগী চৎনবী অমা লৈরকপগা লোয়ননা হন্দক চহীগীদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগীসু য়েংলগা প্রিজনরশিং মশীং হেন্না থাদোরকখি। মসি প্রিজনরশিংনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা পূন্না লাইচৎ অসি থেংনজবদা ৱাখল চাউথোকচনবা লৈঙাক্না লৌরকখিবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## দি সী ৪ অমসুং এস পি ৪ য়াওনা রেস্পোন্দেন্ট ১১দা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা লোকদাউনগী খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মণিপুর পুলিস পর্সনেলশিংনা ষ্টেটসিগী লম্বীশিংদা মীয়াম চৎহন্দনবা ফাইন ফাওবা লৌবা য়াওনা অতৈ চৈরাকশিং পীবগী পান্বেশিং চথুরকপদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫ অমসুং ইপিদেমিক দিজিজ এক্ট, ১৮৯৭কী য়াওনা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না চথুদ্রে হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা হায় কোর্টনা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# আই এমগী কেম্প হোংদোকহনখিনবা হোম মিনিষ্ট্রিদা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা হাংলিবা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্পশিং নাগালেন্দদা হোংদোকহনখিনবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সতা হায়জখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় কুমার ভালাদা থাখিবা চেরোল অমনা হায়, অয়াবা য়াওদনা মণিপুরদা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্পশিং হাংদোরকপনা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোরক্লবগী মরম ওইরি। মমাংদসু ৱাফম অসিমক মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সতা খঙহনবা লৈখ্রবনি। হন্দক্তা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্পশিংদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়া কৌরগা উনখিবগী ভিদিও সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরকপদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

তম্পাক্কী লমদমদা লৈবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অয়াম্বনা এন এস সী এন-আই এমগী লোনা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা অথিংবা পীনবা হোৎনদুনা লাকখি। মণিপুরদা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট চৎনদবা মরম্না ষ্টেট অসিদা অয়াবা য়াওদনা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্পশিং হাংদোরকপগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা কয়ারক হন্না য়ানিংদবা ৱাফম পুখৎপা লৈখ্রবনি। কেম্পশিং অসিবু য়েংশিল্লিবা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু লালহৌলূপ অসিগী লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিং য়েংশিনবা ঙমদ্রে। হন্দক্তা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ামরুম এন এস সী এন-আই এমগী কেম্পতা তোয়না চৎখিবগী থৌওং অদু অথিংবা পীরম্বা য়াবনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সতা থাখিবা চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসতা এন এস সী এন-আই এমগী থবক থৌরমশিং কন্ট্রোল তৌহনবগা লোয়ননা মীচম মীয়াম অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমত্তা হায়রিবা কেম্পশিং অদুদা চঙহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। মণিপুরদা লৈরিবা লালহৌলূপ অসিগী কেম্পশিং নাগালেন্দগী মফম অমদা হোংদোকহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সতা হায়জখি।

### এক্সন লৌখৎকনি হায়রক্লে : য়ু সী এম

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মনুংদা লৈরিবা এন এস সী এন-আই এমগী ইলিগেল কেম্পকী মতাংদা য়ু সী এমগা চীফ মিনিষ্টরগা উনরুরে, কোভিদ-১৯গী ঈৱাং নেমথরকপগা লিগেল এক্সন লৌখৎকনি হায়রক্লে হায়না য়ু সী এম কোভিদ-১৯ এস টি এফকী সেক্রেটরি আই পি আর, বি এম য়াইমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙরাং নুমীদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ইনভাইটেসন পীরকপা মতুংইন্না য়ু সী এমগা পুং ১.৩০ রোম ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখি। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা সেনাপতি অমদি চান্দেলগী মফমশিংদা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্পশিং লৈরম্বগী অমদি নাগা লুচিংবশিংনা থৌরম পাঙথোকখিবগী ময়েক লারবা ভিদিও অমদি ৱারোল কয়া মশক নাইবা পাউচেশিংদা পাউ ওইনা ফোঙলকখি। য়ু সী এমনা খুদম চাংদমগা লোয়ননা সিজ ফায়র চৎনদবা মণিপুরদা কমদৌনা আই-এমগী কেম্প লৈরল্লিবনো অমদি মসি চপ চানা লৈঙাক্লা মতিক চাবা থবক লৌখৎতুনা তকথোক্কদবনি হায়বা ৱাফম থমখি।

মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯑ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৯.৭২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.৭২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৩

**HL Poll**

Q: India da Lockdown 4.0 gi kanglonsingna COVID-19 gi laichat mapung fana lakshinba ngamlagani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes    No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT


Q: Leingakna COVID-19 lakshinnabagi matangda loukhatliba thourangsing penningai oi haina louba yabra?

Yes 22%    No 78%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অস! লোইরেহে!**

- ভোট লেপকনি হাইফেৎ তাজে, করি পার্টি ওইবীরবনো ?



- পার্টিদি কাঙলম চেনবী পার্টিদা লৈজরি !

কোরোনাভাইরস লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎচবা ওইনা পাউচে অসিদা পাউ হাপ্পনবগীদমক প্রেস রিলিজ পীবীরকপা মতমদা হুয়েন লানপাউ ওফিসকী গেটতা থমজরিবা দ্রোপ বোক্স অসিদা থাদবীরম্নবা নৎত্রগা ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫তা নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com অমসুং hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা ঈ-মেল থাবীরক্লবা হায়জরি। হুয়েন লানপাউদা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীনিংবশিংনা মোবাইল নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা লেন্দলাইন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১ দা মাংজৌননা পাউ ফাওবীরকউ। পাউচে অসিনা লৌখৎচরিবা খোঙথাং অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।